# ২২শুবা ৱিন্নর্স কপ ২০১৭
## যু কে বি অমদি সাই এস এ জি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা নোক আউত অমসুং হোম এন্দ এৱে বেসিসতা ঙরাংদগী চথরক্লিবা থাংজম বিরচন্দ্রা–মায়পাকপি মেমোরিয়েল ২২শুবা ৱিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৭গী মেটচ ২দা যু কে বি চুরাচান্দপুর অমদি সাই এস এ জি বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্টশিংগী ৱিন্নর ওইরবা টিম ১১না শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচ ওইনা দি এস এ চুরাচান্দপুরগী টিম ওইরিবা যু কে বিগী হোম গ্রাউন্দ খোলমুন প্লেগ্রাউন্দ চুরাচান্দপুরদা যু কে বি অমদি দি এস এ সেনাপটিগী টিম ওইরিবা ঐচ যু এস ও অনিনা লম্বা চানা থেংনবদা যু কে বিনা গোল ১–০দা মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অদু নাকল অনিমক্তা লম্বা চানা শান্নখিবনা মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী মনুংদা নাকল অনিমক্তা গোল ১ ফাওবা চন্নবা ঙমখিদে অদুবু মেটচ অদুগী এদিস্নেল টাইমদা যু কে বিগী লমথিয়ানলালনা গোল ১ স্কোর তৌদুনা মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা মায় পাকপখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইম অমদি মিনট ৮২ চৎপদা ঐচ যু এস ওগী মথংসিংনা এন রাজু মীতৈ অমদি টিঐচ বোয়াই মীতৈবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এন বিজেন, ৱাই লুংসু, এস পুন্সি অমদি এল অসানন্দনা মথংসিংনা সেন্তর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী টিম ওইরিবা সাই এস এ জিগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা সাই এস এ জি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী টিম ওইরিবা এন সি ক্লব অনিনা লম্বা চানা থেংনখি। মদুদা মেটচ অদুগী মিনট ৪৪ চৎপদা সাই এস এ জিগী এস চিতরনজননা গোল ১ স্কোর তৌদুনা এন সি ক্লবতগী পাঞ্জল ১ মাংজিল থানা লৈখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা এন সি ক্লবনা মখোয়গী শোত্খদুনা লৈরিবা পাঞ্জল অদু হন্দে দাক্লবা কন্না হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অদু সাই এস এ জিনা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ২১ অমদি ৬৮দা সাই এস এ জিগী এস জেক্সন অমসুং আর কে কুকুলিন অমদি মিনট ৮১ চৎপদা এন সি ক্লবগী এন সুরেসপু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা এস কেনেদিনা সেন্তর রেফরি, ৱাই ইঙোবীনা এ আর ১, ৱাই জেমসনা এ আর ২ অমদি ৱাই দেবচান্দনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী অনৌবা মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
থা অসিগী ২৫দা ৩৩শুবা এন হাজরি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী অমুক হন্না য়েথোক্তুনা থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা পোলো টিম অমদি ক্লবশিংদা এম ঐচ আর পি এ গী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী টি ঐছ চা মঙ্গিলালনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সব–জুনিয়ার গার্লস নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ) কী মীৎয়েং মখাদা চত্থগদবা সব–জুনিয়ার গার্লস নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ থা অসিগী ২৬তা কোদোম্পোকপি স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা হৌদোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদুদা মণিপুর সরকারগী মেদিকেল, হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার, কাদা অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওর্গনাইজিংগী চিয়ার্মেনসু ওইরিবা মণিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, মহুদ, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কনজর্ভেসন মিনিষ্টর টিঐচ স্যামকুমার অমদি মণিপুর সরকারগী যুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর এন প্রভিননা মথংসিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

# মিষ্টর কংলৈপাক কম্পিটিসনগী অনৌবা মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
চহি খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোকপা মিষ্টর কংলৈপাক হন্দক চহিগী ওইনা থা অসিগী ২৯দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু যু এস এ গী লাস ভেগাসদা নেচরেল মিষ্টর ওলিম্পিয়া চহি অসিগী নভেম্বরগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোকপগা লোয়ননা এম এ বি বি এ গী প্রসিদেন্ট টি ইবোচৌবাবু ইন্দিয়ান টিমগী টিম মেনেজর ওইনা অদুগা আর কে রাখেশবুনা টিম কোচ ওইনা খল্লক্লে। হায়রিবা প্রসিদেন্ট অমদি জোইন্ট সেক্রেটরী অনীমক অমদি নেচরেল ওলিম্পিয়াদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোই পি রমেস মৈতৈনা মণিপুরগী মপান্দা লৈখিবনা হান্না লেপ্লম্বা কম্পিটিসনগী মতম অদু হোংদোক্লগা লাক্লিবা নভেম্বরগী তাং ১৯দা ওইনা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক সেক্রেটরী, জোইন্ট সেক্রেটরী অমদি ত্রেজররদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# মণিপুরগী পৱারলিফতর সোনিয়া, থোইবী অমসুং লিন্দানা সিলভর অমদি ব্রোনজ মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
থা অসিগী ২২দগী ২৪ ফাওবা হাউরাদা চত্থখিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া পৱারলিফতিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা পিবিবিপিটিসি কৈশামথোঙ এলাংবম লৈকায়গী নুপী পৱারলিফটর সিঐচ সোনিয়া, লিন্দা অমদি থোইবীনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী কেজি ৫২গী কাংলুপ্তা সিঐচ সোনিয়ানা স্কৱাটতা কেজি ৯০, বেনপ্রেসতা কেজি ৫০ অমদি দেদলিফটিংদা কেজি ৯৭ পুন্না কেজি ২৩৭ থাংগৎতুনা সিলভর মেদল ফংখি।

কেজি ৭২গী কাংলুপ্তা কে লিন্দানা স্কৱাটতা কেজি ৮০, বেনপ্রেসতা কেজি ৩৭ অমদি দেদলিফটিংদা কেজি ১০৫ অপুনবা কেজি ২২২ থাংগত্তুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

কেজি ৫৭কী কাংলুপ্তা কে থোইবীনা স্কৱাটতা কেজি ৬০, বেনপ্রেসতা কেজি ৩০ অমদি দেদলিফটিংদা কেজি ৯০ থাংগত্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

# চৈবী এসোসিয়েসনগী জি বি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ঃ
চৎলিবা থা অসিগী ১৪দা ফমখিবা এক্সিজ্যুটিবকী মীফমনা লেপ্পখিবগী মতুং ইন্না মথং থা নবেম্বরগী ১গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসনগী অনৌবা থৌপুগদবশিং খন্নবগীদমক জেনেরেল বোদিগী মীফম অমা মীসিখোল শংলেন, খুরাই কোন্সম লৈকায়দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

মীফম অসিদা চৈবী লুপ্তা য়াওরিবা লুপশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা চেরোল অসিনা মখাতানা ফোংদোরক্লি।

YELHOULAMGI YELHOUMISINGGI SENMITLON
AMADI KEITHELSINGBU YOKKHATMINNASI
PLIZ VISIT: NINGTHEE TUREL
a mobile shop
OPPO vivo Xiaomi SAMSUNG micromax HTC LYF GIONEE
Konung Mamang, Opposite Thangal Temple
SL/2631/Alt. 30 days




Quote Your TAN & PAN

# পুক্লিং চিংশিঞ্জরি ঃ টেক্স দিদক্টরশিং
## ই–ফাইল তৌবীয়ু টি দি এস ষ্টেটমেন্টশিং
অনীশুবা ক্বার্টরগী ওইনা
সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৭ কীদমক
লাক্লিবা
## ওক্টোবর ৩১, ২০১৭ ফাওবদা

ফাইল তৌবীয়ু ঃ
- সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৭ না লোইবা ক্বার্টরগী টি দি এস ষ্টেটমেন্ট ই–ফাইল তৌবগী অরোইবা ওক্টোবর ৩১, ২০১৭ নি
- টি দি এস ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌবদা থিহ্বা তারগদি নোংমদা লুপা ২০০ থীগদবনি অমসুং মদুনা হৃগদবা টেক্সকী শেনফম অদুদগী হেনবদি য়ারোই

দাউনলোদ তৌবীয়ু ঃ
- টি দি এস সার্টিফিকেট নম্বর ৱাফম ৭ য়াওবা ফোর্ম ১৬এ টি দি এস সার্টিফিকেট অসি তঙাইফদনা https://www.tdscpc.gov.in দগী দাউনলোদ তৌগদবনি
- টি আর এ সি ই এস পোর্টেলদগী করিগুম্বা পান লান্না কোট তৌবা তারবা নত্রগা পান কোট তৌদবা তারগদি টি দি এস সার্টিফিকেট দাউনলোদ তৌবা য়ারোই
- ফোর্ম ২৭ ক্যূগী মতুং ইন্না নন–রেসিদেন্টশিংগী পান য়াওদবা মতাংদদি ত্রান্সেক্সন বেজ রিপোর্ট (টি বি আর) দাউনলোদ তৌবা য়াই

ইশু ঃ
- ২০১৭গী সেপ্টেম্বর ৩০দা লোইখিবা ক্বার্টর অদুগী তলবকী শেনফমগী নত্তনা ফোর্ম ১৬এ দা ইনকমগী মতাংদা টি দি এস সার্টিফিকেট পীগদবা অসি নভেম্বর ১৫, ২০১৭ ফাওবনি
- টি দি এস সার্টিফিকেট ইশু তৌবদা থেংথবা তারগদি থিগদবা টেক্স অদুদগী হেন্দনা নোংমদা লুপা ১০০গী পেনাল্টি পীবা য়াই

চেকশিনবীয়ু ঃ
- টেক্স দিদক্ত তৌখ্রবা মীওইশিংনা থিফম থোকপা টেক্স অদু দ্যু দেটকী মনুংদা থিহৌদবা তারগদি অথুবা মতমদা থিদোক্কদবনি।
- দিদক্টর পুম্নমক্না https://www.tdscpc.gov.in (ত্রেসেস পোর্টেল)দা রেজিষ্টার তৌগদবনি।
- মখোয়গী হান্নগী টেক্স ক্রেদিতশিং অদু ফঙনবগীদমক দিদক্টি অদুনা অশেংবা পান অদু থাগদবনি।
- পীফম থোকপা শেনফমশিং পীরক্তবা হায়বদু লৈতনবগীদমক চল্লানগী সি আই এন চুম্না থারক্কদবনি।
- টি দি এস ষ্টেটমেন্টতা পান নত্রগা টান হাপ্লক্তবা তারগদি দন্দি ফঙনিংঙাই ওই।
- অহানবা য়েংবদা পান অমসুং চল্লানদা অরানবা লৈরম্বশিং অদুগী ওইনা দিদক্টরশিংদগী দিফাউল্টকী পেনাল্টি লৈরোই। করিগুম্বা সি পি সি ( টি দি এস) তগী থাখিবা ই–মেল / এস এম এসশিংদা নুমিৎ ৭গী মনুংদা পাউখুম পীবা তারগদি।
- টি আর এ সি ই এস সিষ্টেমদগী দাউনলোদ তৌবা টি দি এস সার্টিফিকেট অদু খক্তমক চৎনগনি।
- পানদা অরানবা লৈতনবগীদমক ত্রেসেস পোর্টেলদা ফঙদবা পান – টান মাষ্টর অদু দাউনলোদ তৌবীয়ু।
- চহিগী থা অহুম অদুগী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা টি দি এস / টি সি এস ত্রান্সেক্সনগী রিপোর্ট লৈতবা তারগদি, টি দি এস ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌবগী মতম খঙহৌদ্রে হায়বগী ওইনা ত্রেসেস পোর্টেলদা ‘‘দিক্লারেসন ফোর নন–ফাইলিং’’ শিজিন্নদুনা টি দি এস ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌহৌদবগী নোটিস অদু ফংহৌদে হায়বগী পাউ পীবীয়ু।

davp 15401/13/0078/1718

@IncomeTaxIndia
Visit: www.incometaxindia.gov.in
www.cleanmoney.gov.in
Download: "AAYKAR SETU" Taxpayers Services Module & Mobile applications
Income Tax Department
Central Board of Direct Taxes

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*